# লাঙ্গোই চনশিল্লক্লবদা মীতৈ/মৈতৈ কমদৌসিগে?

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং

*ইবদা* অমসুং হায়বদা মীতৈ/মৈতৈ হায়জরবসু হৌরকফম অমত্তনি। অনীসি তোঙানবা হৌরকফম মান্নদবা মীওই কাঙলূপ/ফুরুপ নত্তে। খজিক্তং খন্ননীংঙাই ওইরিবদি মিংগী মমৈদা 'সিংহ' তপ্পগা তপ্তবগা অনীগী মতাংদনি। মিংগী মমৈদা মীতৈ/মৈতৈ তপ্লবদি নৎত্রগা য়েক্কী মমিংশিং খুদম ওইনা - মঙাং, লুৱাং, খুমননচিংবা তপ্পশিং ঈনাৎ লাইনীং চৎপা মীতৈ/মৈতৈনি হায়না লায়না খঙবা ঙমই। অদুগা মিংগী মমৈদা 'সিংহ' তপ্পসিদি মোইরাং কোংয়াম্বগী কুম শকাব্দ ১৬২৬, খৃ: ১৭০৪গী শজিফু থাগী ৫নি পানবা য়ূমশকৈশ নুমিৎতা ওরিষাদগী লাকপা রাইবনমলি অচার্য্যদগী হিন্দুগী লাইনীং নিমান্দি হায়বসিদা মৈতিংঙু চরাইরোংবনা পিটম্বর সিংহ হায়বা হিন্দুগী মিং ওন্দুনা লাইমিং লৌখিবা হায়বদি মৈতৈগী মিংগী মমৈদা 'সিংহ' তপ্পা অহানবা মীশক/নিংথৌ ওইখিবদগী হৌরগা মৈতৈগী মিংগী মমৈদা 'সিংহ' তপ্পগী চৎনবী অসি লৈরকখিবনি। অদুনা চাউরাক্লা ঙসিদগী চহী ২০০ রোমগী মমাঙদগী মৈতৈগী মিংগী মমৈদা 'সিংহ' তপ্পকখিবসিদি মতমদুগী মৈতিংঙুশিংগী অহকপা চৈরাক অমদি নৌনা চঙশিল্লকপা মীরম লাইনীংনা মরম ওইরগা তৌহনখিবনি হায়বা য়াই। মসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি লমদমসিগী নুপাশিংগী মিংশিংগী মমৈদা 'সিংহ' তপ্নরক্লিবসিদি থোইনা খন্থরুদনা/থিজিল্লুদনা লাই ওইখ্রবা অহল লমনগী খুদুং ইনবদগী তৌনবনা অয়াম্বনি, অহল লমনশিংদুনা পেঞ্জখিরোই খনবদগী তশেংনা মীরম লাইনীংদা হেক্তমক পাল্লুবগী ৱাফম নত্তে। মসিগী মতাংদা ৱাফম অনী খুন্নাইদা উজবদু থমজখ্রে। অহানবনা, হান্না মীরম লাইনীংদা থাজবা থমদুনা ইরমদমগী লাইনীং লিচৎতা ঙল্লিঙৈ মতমদগী কয়া থিজিলহৌদবদগী খঙবা ৱাৎলকপদগী মখোয়গী লাই ওইখ্রবা মপা মপূগা লাইরমলেন্দা শম্নরোইদ্রা/ৱারৌখিগদ্রা খনবগী ৱাখল্লোনদা - হায়রিবা ৱাখল্লোনসিমক মশাগী চহী ৯৪/৯৫ রোম হৌজিক শুরবা, হিন্দুগী ৱাখলদা লুপচবা অহল ইবুংঙো অমনা হায়বিবনি। মশাসু অদুম মীওই কয়ামরুম্না পাজি অমদি মনোহর সাইগীদমক মশক খঙবা মীওই অমনি। অনীশুবদনা, ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ১০০ খরা হেনবা মতমসি মীরম লাইনীংগী শাফু কল্লম্বদগী ঈরাৎ লাইনীংদা হঞ্জিল্লকপগী অচৌবা শাফু অনীগী মরক্তা - অহানবগী মীরম লাইনীংসিনা খূৎলায়/পাম্বৈ ওইরগা শেলসু তানবগা লোয়ননা লাইনীংসি হিংহন্নবা অরৈবা পাম্বৈদা হোৎনরকপা হায়রিবা ৱাফম অনীসিনি হায়বা য়াই। অদুনা হান্না মৈতৈ/মীতৈগী মিংগী মমৈদা 'সিংহ' হাপ্পরম্বদগী মশাগী চহী ৬০-৭০গী মনুংদা লৈবা মীতৈ/মৈতৈ কয়াগী মিংগী মমৈদা 'সিংহ' হাপ্লম্বদু সার্টিফিকেটকী মিংদা লৈখিবদু ওন্থোকত্রবসু হৌজিক্তদি মিংগী মমৈদা য়েক্কী মমিং খুদম ওইনা মঙাং, লুৱাং, খুমননচিংবা ময়াম অমা হাপ্ন রক্লিবসিনি। অনীসিগী মরক্তা খেন্নবা মরম অমদি মীরমগীনা খাংঙুথক্তা চঙশিল্লক্লগা হৌজিক্তদি মরাই চাইথবা হৌরকপসি থিংনবা হোৎনবদা অঙম্বা ইনোৎ পীবা অদুগা ইরমদমগী লাইনীংগীদনা হান্না মী মশা মশানা থিজিল্লমদবদু থিজিন্নবদগী নৎত্রগা নুংতিগী লমদমসিদা ফোঙবা চেফোঙ কয়াদা ৱারেং (আর্টিকল) কয়া তোয়না ইনরকপসি পানরুবদগী খঙলকপা মরম ময়ামসিদগী 'ইরম লাইনীংদি অনৌবা নত্তে, হান্নদগী হৌরক্লোনগা শাগোন্নরকপা লাইনীংনি, অশেংবা হৌরক্লোনগী শক্তম ঙাকচবনিনা হান্নগী লাইনীং লাইশোন, লাইনীং লীচৎতা ওনশিঞ্জবনি, মীতৌ তম্বা, মীরমগী মমা মপাদা নিংলুবগী কান্নবা লৈতে, চুপ্লোই খঙবনা ইশাগী অশেংবা ইনাৎনিনা ঙাকফম/চৎফম থোকই হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইবননি।

অমুকসু, মৈতিংঙু খাগেম্বা (খৃ ১৫৯৭-১৬৫২) সনা হাক্তক্কী মমাঙ হায়বদি মৈদিংঙু কিয়াম্বা (খৃ ১৪৬৭-১৫০৮) গী সনা হাক্তক্তা নোংচুপ লোমদগী ময়াং বামোনশিং ইরমদমসিদা লাকপা/চঙলকপা মতমদা মখোয়গী নুপী (হৌজিক্তা থৌরানি কৌনরিবসি) লোইনরকখিদে। লৈপাক অসিগী মী ওইরবা মতমদতা লৈপাকসিগী চনু নিংঙোলশিং লৌরগা/পীশিল্লগা চারৌ-মৌরৌনবা য়াহনখিবনা হৌজিক লৈরিবা বামোনশিং অসি মৈতৈ নিংঙোল অমসুং চীংমী নিংঙোলশিংগী মচা মশু ঙাক্তনি হায়নরিবনি। মৈতিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক অসিদগী বামোনশিং লৈপাক অসিগী মীওই অমা ওইনা শক খঙবীবগুম তৌরকখিবনি। মৈতিংঙু পাইখোম্বা (খৃ ১৬৬৬-১৬৯৭) গী সনা হাক্তক ফাওবদা মশক লেপ্লবা লৈপাক্কী অনেম-অৱাংগী মথং মনাওদা লাইখু, লাইফা, তম্পাকলোই, চীংলোই য়াইথীবী অমসুং বামোন হায়দুনা লৈরম্বনি। অদুনা মৈতৈ নিংঙোল অমসুং চীংমী নিংঙোলগী মচা মশু ওইনা লৈরম্বা বামোনশিং হিন্দুগী লাইনীং লিচৎ লৌখিবদগী বামোন থাক অসি খংৱাং ৱাংলকখিবনি হায়না লাইরিক অমদা ইরম্বসু থেংনৈ। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু পামহৈবা নিংথৌ হাক্তক্তগীদি হিন্দু লাইনীংগী মরাই হাইগৎপা হৌরকপনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তদি থাক য়াম্না ৱাংখৎলে হায়বা য়ারে। অনৌ-অনৌবা সংস্কৃতিগী ওইবা মচল কয়া হাপচিনবা হৌরকখি। অদুবু মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না মণিপুরগী খুন্নাইদা অওনবা কয়া লাকখি। মীরম লাইনীংগা ইরমদমগী ইনাট লাইনীংগা হৌজিক্তি হিদান্নবা হৌরকপগী ফীভম অমা লাকপা হৌরকখি। ৱাখল খেন্নবা উরকখি। মসিগী মমি মণিপুরগী খুন্নাইদা তপ্না তপ্না তারকপগী মরম অমদি মপান লমদগী অমদি মনুংদগী মরুওইনা মপান লমদগী অকনবা শাফু কয়ানা লাঙ্গোই চনশিল্লকপদগী করম্না ইশা ঙাকথোক্কদগে, খুন্নাই কনগদগে খন্নরকপদা তঙাইফদনা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুবদগী ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা ঙাক্লৌ পীহন্নবা খোঙজংগী শরুক ওইনা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম) না চঙশিল্লকখিবদা খুদোংচাদবা খরা থেংনখিবগী মনুংদা হান্না খুন্নাইদা থাক ৱাংনা লৈরম্বসি সেদ্যুল ত্রাইব ওইরকপদা থাক হন্থগনি হায়না খঞ্জবা খুন্নাইগী মীওই খরসি মরু ওইনা হিন্দু লাইনীং চৎপা ওইবনা অয়াম্বা ওইবগুম তৌবসি - মসিনা খুন্নাইগীদা হান্না লৈজবা ফীভমদা অকায়বা ওইরোই হায়নদি মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব ষ্টেটস পীবিরগা ইশাগী ইরমদম, ইশাগী ঈনাৎ কঞ্জবা ঙমহন্নবা খোঙজংনি হায়দুনতা লাকখিবদা ৱাখল খরা তানবা ঙমদবগুম তৌবসিনা খুরক্কী ঈনা লাই শাবা হায়বা অহল লমনশিংগী অচুম্বা পাউরৌবু নীংশিংহল্লি। মসি তশেংনমক লাইবক থীবনি হায়দবা য়ারোই। মরমদি লমগী পাক চাউবসু পিকখ্রবা অদুগা মীশিং হেনমন্না য়াম্মল্লবা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিং পিকখ্রবা ইরমদমসিগী খুজিল মমায়মুক পাকপা তম্পাক্কী শরুক্তা কোস্মোপোলিটান সিটিগী মওংদা মীওই কাঙলূপ কয়ানা য়াম্না পাম্না খুন্দাশিল্লকপদা নত্তনা নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা চঙশিনবা পান্নকপসি থিংনবা হোৎনবদা তৌদবা য়াদবা খোঙথাং অমা ওইরকপসিনি।



অতোপ্পা লঙ্গোই চনশিল্লকপগী মরমশিংদি ময়োল লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা বি জে পিনা মুসলিম নত্তবা হিন্দু, সিখ, খৃষ্টান, পার্সি, বুদ্ধিষ্ট, জৈনশিং ইন্দিয়াগা য়ূমলোন্নবা মীরৈবাকশিং পাকিস্টান, আফঘানিষ্টান, বাংলাদেশশিংদগী ইন্দিয়াদা চঙলক্লগা চহী ৬ খক্তং ইন্দিয়াগী মফম অমদা লৈরবদি ইন্দিয়াগী সিটিজনশিপ পীনবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল লোক সভাদা পাস তৌখিবদু রাজ্য সভাদসু পাস তৌরগা এক্ট ওলহল্লগা ইন্দিয়াদা শিন্থুংনা চৎনহল্লক্লবা হোৎনরকপদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংনা থেংনগদবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মতমদুদা চীংমী-তম্মী অনীমক্না মণিপুরগীদমক লেপখিবা, খোল্লাউ কয়া লাউখিবা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌনখি। মদুনা, রাজ্য মঙাদা 'কেব' পাস তৌনবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা ময়োল লৈঙাক্লা পুথোকপা ঙমখিদে। অদুবু লুরিবদি হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭রকশুবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন, ২০১৯সিদা করিগুম্বা বি জে পিনা ময়োল লৈঙাক পায়রক্লবদি 'কেব' শোয়দনা চৎনহনগনি হায়না পার্টিসিগী প্রসিদেন্ট অমিৎ শাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম লৈখ্রে। য়াম্না খুকউ শেন্নীংঙাই ওইরি।

চহী কয়াদগী মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহনবিনবা খোঙজংসি মরম চাইদি হায়রগা ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্তা মণিপুর এসেমব্লিগী মীফমদা হায়খিবদু মীওই লাক্ষ অনীরোম্না চৎখিবা খোঙচৎ অমা চৎলগা কোনুংগী হাপ্তা কাংজৈবুংদা মার্চ ৩, ২০১৯গীদা মীয়াম্না লৌখিবা ৱারেপ অহুমগী মনুংদা অমা ওরিবা তাং ৬/৩/২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা ষ্টেটকী রেকমেন্দেসন থাবিদ্রবদি মার্চ ৯, ২০১৯গী নমিদাং পুং ৬তগীনা তাং ১০/১১গা লোন্নবা অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ৩০গী টোটেল সটদাউন তৌনি হায়খিবদু ষ্টেট লৈঙাক্লা তৌবিবা উদবদগী খোঙজং চত্থবা লৈখ্রে।

অসুম্না লাঙ্গোই চনশিল্লিবা মরম অতৈদি মণিপুর পিপলস প্রোটেক্সন বিল ২০১৮ হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদনা লৈরিবা; মণিপুরগী লমগী অপূনবগী শক্তমদা কায়নীংঙাই মরম ওইরিবা মৈগী চীংগুম্না পোকখায়দনা ফুমদুনা লৈরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খূৎয়েক পীনরগা চত্থরিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী অরোইবা এজেন্দাশিং; হৌজিক চহী অনীগী বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাকসিগী মমাঙদা ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মতমদা লৈঙাকলোনগী খুদোং চানবগীদমক অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদুগী মায়োক্তা সেন্টর য়াওনা ষ্টেট লৈঙাক অমদি য়ু এন সীগী মরক্তা ৯শুবা রাউন্দগী ওইনা মার্চ ৯, ২০১৯দা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথং রাউন্দগী ৱারী চহীসিগী জুলাইদা চত্থনবা প্রপোজ তৌখিবগী পাউনচিংবা পনবা য়াই।

অরোইবদা, 'কেব' নত্তনা অতৈ মরমশিংদদি চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা মখোয়গীদা অকায়বা ওইরক্কনি হায়না খনখিবা ৱাখলসি ইহোং হোংদোকপা লৈতবসি হোংদোকহন্নবা মরম চাবা কয়া অমা তম্মীশিংনা হায়বদা না পংবদা, মীৎ তাংবদা হায়বা উহননবা হোৎনবদা কান্নবা ফংদনা মতম শাংনা থেংথনা লৈরকপদা হেন্না হেন্না মাঙজবতা ওইরক্কদবনা - লাঙ্গোই চনশিলহল্লক্লবা পোরমদি ময়োল লৈঙাক্লা মরু ওইরগা ষ্টেট লৈঙাকসু মচেৎ অমা ওইবনা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা মীতৈ/মৈতৈনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা অকনবা খোঙজং অমা মথৌ য়াম্না তারক্লে হায়না মণিপুর মীয়ামগী মফমদা অরোইবা ৱারেপ/ৱাশক লৌমিন্ননবা থমজরি।

# শামুগী মনীংদা পেনা খোংবা তাহনগুমসি

নান্দেবম দয়ানন্দ

*মমানা* মচা নুংশিবা, য়েনবীনা য়েন্নাও নুংশিবা, লৈঙাক্লা মীয়াম নুংশিবা মপান নাইব্রা, লোইবা নাইব্রা? লৈবাক্কী লুচিংবা মীওই মীশক খনবা, ওবজেক্সন মতমনা নকশিল্লক্লবদা মীচম মীয়াম্না খঙগদবা তৌগদবা কয়া লৈরি অদুনা মখাগী ৱারীমচা অসি মীয়ামদা পাউদমজনীংবদগী থমজরি।

ফাইরেন-লমতাগী মতম লৌবুক্কী চরূখোক্লা কেমদোইনরবা, উন্না অমুক, নুংশানা অমুক, লৌতাংশঙগী লায়রবা নুপা অমগী মচা তরা চেনবা য়েনবী অমগী ৱারীনি। নুপাদুনা মীগী শিল্লংবা/থবক শূবা চৎখ্রিঙৈ নহা পাখঙ খরনা চুরুট থকপগী লেমখাক অদু চরূখোক মরক্তা লংথোক্লম্বদগী মৈ হৌরক্তুনা চরূখোকশিংদু মৈনা মথং-মথং চাক্লক্তুনা লৌ ফৈদোম থুংনা চাক্লক্লমই। য়েনবীদুদি লৌরিদু চোংথোকখিবা ঙম্মী অদুবু পিক্লিবা য়েন্নাও মচাশিংদুদি ঙমদবনিনা য়েনবীদুনা কোক-কোক হায়দুনা মথানুংদা মসা ফন্দোক্তুনা কুন্থখিরমই। অদুবু চরূখোক চাক্লিবা মৈদু নুংশিৎনা পুরক্তুনা য়েনবীদু চাক্লগা চৎখ্রে। নুমিদাংৱাই নুপাদুনা থবক হল্লকপদদি লৌতাংশঙ খাঙপোক য়াওনা লৌবুক থুংনা মৈনা চাকথোকখ্রবা তাঙ্গোই ঙাক্তা ঙাইরম্লে। মদুদা মথৱায় নুংঙাইতনা অসুম য়েংলুবদা তুম্পক মতুম তাবা অমুবা পোৎশক অমা লৈবদু মখোঙনা কাওরগা য়েংলুবদা মৈনা চাকথোকখ্রবা য়েনবী অমগী মথাদগী অহিংবা য়েন্নাও মচা তরা চিরিক-চিরিক হায়ন থোরক্লম্মী। অসুম্না য়েনবীনা য়েন্নাও মচা তরাদুগীদমক্তা য়েনবী মশাগী পুন্সি কৎখিবা অদুগুম্না লৈবাক মীয়ামগী ওইরবদি ফগদৌবা লৈরবদি হোৎনগে খনবা ঙম্বা অদুগুম্বা লুচিংবা অমা মণিপুর ইমাগী মচা য়াম্না মথৌ তাই।

সী এ বিগী মতাংদা নাগালেন্দ এসেমব্লিনা ওপোজ তৌবা ৱারেপ লৌখি, মণিপুরগীদি কদায়? অফস্পাগীদমক ইরোম চনু শর্মিলানা চহী ১৬ চরা হেনখি। গভর্ণমেন্ট পায়বা সেন্টর/ষ্টেটনা থৌশাখিদে। প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট চাওখৎতনা ইন্দিয়া চাওখৎলে হায়বা য়াদে হায়না চিন্দদি পংলাউ লাউই। অদুবু সী এ বিগী মতাংদদি নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগী ৱা তাদবগুম তৌরি। লুক ইষ্ট পোলিসিদগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি ওনখ্রবসু মণিপুরগী এমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপতগী সর্কুলেট তৌরগা হিংলিবা মণিপুর মীয়ামনি হায়বসি কাউফরোই। মরমদি তোলোপ ফংদবা মতমদা বজারদা পোৎ য়োনবশিং পোৎ শিৎতে হায়নৈ। শিন্মীশিংগী খূৎশুমলসু অদু মঙাই, অদুনা মণিপুরদা কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী ১দগী তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে চৎনহনবা মথৌ তাই।

*শামুগী মনিংদা পেনা খোংবা* - ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মীরোল খরা তারকপা মতমদা ইবেনবোক্লা ফুঙ্গাদা মৈ তিক্তুনা ৱারী কয়া লীবিদুনা তাহনবীবদা শামু মথুন্দা পেনা খোংবা হায়বা অমা য়াওখি, মদু হৌজিক্তা ৱাখল তারকই। মদুদি, জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল ওফ এমটুক এন্দ এমজিওনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী ওক্টোবর ৮দা জেনরেল কাউন্সিল মীটিং পাঙথোক্তুনা পোইন্ট ২২গী চার্টর ওফ দিমান্দস, দিপার্টমেন্ট ১০৫গী মীহুৎশিংগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টতা ওক্টোবরগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা থাজিনবদসু থৌশাবিখিদে। মথংদা ব্লেক বেজ ৱিথ নোর্মেল দ্যুটি ফ্রেম ২৬/১০/২০১৬তগী ০৩/১১/২০১৬, ৱর্কটুরুলস ৱিথ ব্লেক বেজ ফ্রেম ০৪/১১/২০১৬দগী ১১/১১/২০১৬ অমসুং থ্রী দেস মাস কেজুএল লিভ ফ্রেম ১৫/১১/২০১৬তগী ১৭/১১/২০১৬ অদুগা তাং ১৭ অসি মণিপুরগী মতমদুগী চীফ সেক্রেটরি ওইবিরম্বা ও নবকিশ্বরগা জে এ সীগী দেলিগেট ১৫না শাবা লীদরশিংগা পোইন্ট ২২গী চার্টর ওফ দিমান্দগী মরমদা ৱারী শানবদা পোজিটিভ রেসপোন্স ফংখি। লোয়ননা চয়োল অমা ঙাইবীনবা হায়বিরকখি। মদু মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরগা ৱা তাননবগীনি। কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ২৫দা সী এম উনবদা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসন (সী পি সী) গী ফিটমেন্ট কম্মিটি শেম্লগে হায়না য়ানখি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা অমুক কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দা ৱাশক লৌখ্রবা মতুংদসু এপ্রিল ২১, ২০১৭তা ওনরেবল সী এমনা অচেৎপা ৱাশক্কা লোয়ননা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে পীগনি হায়না থাজবা পীখি।

কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ২৯দা অনৌবা সী এমগা জে এ সীগা অনীশুবা ওইনা উনখি। মদুদা পোইন্ট ২২গী চার্টর ওফ দিমান্দ খন্নবগা লোয়ননা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পেগী মতাংসু খন্নখি। দি আই পি আরনসু মিদিয়া কভরেজ তৌখি। কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ১দসু দেপ্যুটি সী এমগা জে এ সীগা উনদুনা ৱারী শানখি। অহুমশুবা তাঙ্কক ওইনা ওনরেবল সী এমগা জে এ সীগা উনখি। মদুদা থা ৩গী মতম ঙাইনবা হায়বিখি। অসুম্না ওনরেবল সী এমগা তাঙ্কক মঙারক ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে। অদুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ২২দগী ইনিদফিনিট সিজ ৱর্ক ষ্ট্রাইক চঙশিন্দুনা লাকখি। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ষ্টেট অয়াম্বা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে ফংখ্রে। অদুবু মণিপুরগীদি ঙসি ফাওবা পীবিদ্রি। হৌজিক লৈরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমল অসি কুমজা ২০০৬তা লেপখিবা খূৎশুমল অদুনি। কৈথেলদা, দুকান্দা য়োল্লিবা পোৎকী মমলসি কুমজা ২০১৬তা লেপ্পা খূৎশুমলনি। হায়বদি তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসনগী মমলনি। মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়রবদি মদুগী খূৎশুমলদু চাং মান্ননা লেপফম থোক্তবরা? ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ইন্দিয়ন সিটিজন অমনা ফংফম থোকপা রাইট অদু ফংফম থোক্তবরা? সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীনা লৈরিবা দুকান্দুদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীসু লৈরিবা নত্তবরা?

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিংনা চারিবা, হিংলিবা পুন্সি মহীং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিংসু চারিবা হিংলিবা নৎত্রা? ইকনমিগী মতাংদা য়াম্না চাউনা খেন্নবা অমা মী অমগা অমগগী মরক্তা লৈফম থোকপরা? মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিংগী ফংফম থোকপা রাইট তান্নবগীদমক জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিওনা চঙশিল্লিবা খোঙজং এমপ্লোয়ীখক্কী নত্তে, মণিপুর মীয়ামগীনি। তুংগী ইচা-ইশুশিংগীনি, মসিবু ওন্ন-তৈনবা মায়ওন অমদা পুখিনবা হোৎনবা কয়া অমা য়াওদবা নত্তে।

দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়াসিবু থৌশাদবা গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০২০গী এপ্রিল ১দগী তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে পীগনি হায়রিবা হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট অসিনা চহী ৪ থা ৪গী এমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমল মৎলগা গভর্ণমেন্টকী করি তোংজবনো? দেমোক্রেসিদা হায়নবা গভর্ণমেন্ট বাই দি পিপল ফোর দি পিপল অদু কদায়দা চৎখ্রবগে? ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা মণিপুরবু করম্বা মীৎয়েংদা গভর্ণমেন্টনা য়েংবিরি হন্দক সী এ বিগী মতাংদসু অমনি। ইরোম চনু শর্মিলানা চহী ১৬ চরা হেনখিবদু করি ওইখি। অমিট শাহনা মথং বি জে পিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রবদি সী এ বি পাস তৌগনি হায়বসি মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্ট মীয়াম্না লাউজরিবসি 'শামু মনীংদা পেনা খোংবা নৎত্রা?'।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।